**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10.6.2024)**

অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ

(তাং ১০-০৬-২০২৪, নিংথৌকাবা)

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মহাক্কী এদভান্স সেক্যুরিতি কনভোইদা এম্বুস তৌরকখিবা অদু মহাক মশা মক্তা অমদি রাজ্য অসিগী মীয়ামদা এম্বুস তৌরকপনি হায়না লৌগনি।

২) মনিপুরগী ঙমখৈ জিলা জিরিবামদা থা অসিগী ৬ তা শক খঙদবশিংনা লৌমী অমা ফারগা হাৎখিবা অদুগী মতুং জিলা অসিদা ওইরক্লিবা উংখৎনবগী ফীভম লাকশিন্নবগীদমক সেকুরিতি ফোর্সশিংনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

৩) হৌখিবা মে ৫ দা থোকখিবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহনখ্রবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং য়েংশিন্নবা কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবু অমনা য়েংশিনবা হৌখ্রে।

৪) সিক্কিম ক্রান্তিকারি মোর্চা (এস.কে.এম) লুচিংবা প্রেম সিংহ তামাং সিক্কিমগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

**অমসুং**

৫) শ্রী নরেন্দ্র মোদি ঙসিদগী প্রধান মন্ত্রিগী থবক পুবা হৌরে। হন্দক্কী অসি থারগা মহাকা প্রধান মন্ত্রি ওইবা অহুম লক শুরে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**এম্বুস(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মহাক্কী এদভান্স সেক্যুরিতি কনভোইদা এম্বুস তৌরকখিবা অদু মহাক মশা মক্তা অমদি রাজ্য অসিগী মীয়ামদা এম্বুস তৌরকপনি হায়না লৌগনি। অসিগুম্বা রাজ্য সরকারবু অতমনা শিংনবা থৌদোক অসিদা চেন্নবা খুদিংমক ফাগৎনবা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎপা হৌরে।

ঙসি কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না নেসনেল হায়ৱে ৩৭ কী পারিংদা লৈবা কে.সিনাম খুলদা শক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা এম্বুস তৌরকপদগী শোক্লবা গাড়ি দ্রাইভর অদুগী ফীভম য়েংশিন্নবা সিজা হোস্পিতালদা লাকখিবা শ্রী বিরেননা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- হৌখিবা মতম খরদা ইরাং লৈরবসু লৈমিন্নরিবা মীয়াম পুমমকা ৱাখল তামিন্নরকখিগনি হায়না খন্দুনা সরকারনা অকনবা মওংদা খুৎ হন্দবনি। অদুবু ঙসিগী থৌওং অসি রাজ্য সরকারদা অতমনা শিংনরকপা ওইবনা সরকার অসিনা তুমিন্না লৈথোক্লোই , মরাল লৈবশিং ফাগৎনবা চপ চাবা থবক পায়খৎপা হৌরে ।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মনিপুরগী ঙমখৈ জিলা জিরিবমদা খঙহৌদনা থোক্লকখিবা ইরাং অদু য়েংশিন্নবা মহাক নোংমা নিনি অসিদা জিরিবমদা চৎনবা থৌরাং তৌবনি । মদুগা মরী লৈননা মহাক দিল্লিদগী থিন্থবা তৌদনা মনিপুরদা থোক্লকপগা লোয়নননা জিরিবাম খোংচৎকী মাঙওইননা মহাক্কী এদভান্স সেক্যুরিতি টিম অদু জিরিবামগীদমক ঙসি অয়ুক ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

**--সাউন্দ সি.এম--**

ঙসি অয়ুক পুং ১০:৩০ তাবদা থোকখিবা এম্বুস অদুদা মুখ্য মন্ত্রিগী এদভান্স সেক্যুরিতি টিমগী দ্রাইভর অমা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোকখি। মহাক ইম্ফালগী হোস্পিতাল অমদা পুরক্তুনা হৌজিক লায়েংলি।

অমরোমদা, থৌদোক থোকফমদা সেন্ত্রেল পুলিস ফোর্স য়াওনা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থাজিন্দুনা থীবা হুম্বগী থবক কন্না চত্থরি। মসিগা লোয়নননা নেসনেল হায়ৱেস পারিং অসিদা মীয়ামা মীপায়বা লৈতনা নিংতমা চৎপা য়ানবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংসু লৌখৎখ্রে।

**জিরিবাম(এল)ঃ** মনিপুরগী ঙমখৈ জিলা জিরিবামদা থা অসিগী ৬ তা শক খঙদবশিংনা লৌমী অমা ফারগা হাৎখিবা অদুগী মতুং তারকপদা জিলা অসিদা ওইরক্লিবা উংখৎনবগী ফীভম লাকশিন্নবগীদমক সেকুরিতি ফোর্সশিংনা অকনবা থবক লৌখৎলি। জিলা অসিগী মরুওইনা ফেরজোল অমসুং তমেংলোং অনিনা তাইনবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। পাউদম অমা --

**-- সাউন্দ বিস্বাজিৎ--**

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা --**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**নোং(এল)ঃ** হৌখিবা মে থাগী তাং ৫ দা থোকখিবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎতা শোকহনখ্রবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা মহৌশাগী থৌদোক অদুদা থোকখিবা অমাং আতাগী ফীভম কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবুশিংনা য়েংশিনবা হৌখ্রে।

ঙসি কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেন অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা থোকহনখিবা অমাং আতাশিং কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখি। মন্ত্রালয়গী কাংবু অদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরদা হেক থুংলবগা দিপ্যুতি কম্মীস্নর থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা হন্দক্কী লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা শোকহনখ্রবা ইমুং মনুংশিংনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসনদা পীশিল্লকখিবা অমাং অতাগী রিপোর্টশিং অদু কুপা য়েংশিনখি। মসিগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসননা হিরম অসিগা মরী লৈননা কোয়না চৎতুনা লৌখৎখিবা রিপোর্ট অদুবুসু পুথোক্কুনা খন্নখি। তুংদা মন্ত্রালয় কাংবুনা থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা লেননা মাংহন তাকহনখ্রবা য়ুম কৈশিং য়েংশিনখি।

জিলা অসিদা য়েংশিনবা লাকখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রালয়গী মীহুৎশিং অদুদা ফিসারিজ, এনিমেল হসবেন্দরি অমসুং দেরিয়িং মন্ত্রালয়গী দিরেক্তর (কেত্তল এন্দ আই.টি) ডা: বাদল বিস্বাকর্মা, দিপার্টমেন্ত ওফ ফুদ এন্দ পব্লিক দিস্ত্রিব্যুসনগী দাইরেক্তর প্রিয়া জেকোব,এগ্রিকলচর এন্দ ফার্ম্মর ৱেলফ্যার মন্ত্রালয়গী দিরেক্তর ডা: জিনতু দাস, নিতি আয়োক্কী রিছার্স ওফিসর (এগ্রিকলচর)সিব চরন মীনাচিংবা ওফিসরশিং য়াওরি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাদসু নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহনখ্রবা মফমশিং কেন্দ্রগী মন্ত্রালয়গী টিম অমনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। টিম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রালয় টিমগী এদিসনেল এদভাইজর ডা: রাজেস খার, দি.ও.ই মহেন্দ্র চন্দ্রেলা জ্নিয়র সাইন্তিফিক ওফিসর শ্রীবাশামুর্লিনচিংবা য়াওরি।

**থৌবাল(এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী মিনিস্ত্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যারসকী মখাদা থৌবাল ফোরেস্ত দিভিজননা শিন্দুনা ঙসি থৌবাল ৱাংমা তাবদা লৈবা তেবল তেনিস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল এদভোকেসী কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। প্রধান মন্ত্রি বন্ধন যোজনাগী মখাদা প্রোমোতিং ত্রাইবেল এন্তরপ্রাইজ থ্রু ভেলু এদিসন, ব্রন্দিং এন্দ মার্কেত্তিং ওফ ফোরেস্ত প্রোদ্যুসেস হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নোন টাইমর ফোরেস্ত প্রোদক (এন.তি.এফ.পি)গী ভেলু এদিসনগী মতংদসু মমুট তানা তাকপিবগা লোয়ননা কেন্দি শাবা , অচার শেম্বা অমদি চিঞ্জাক লিশিন্দুনা থম্বগী তোঙান তোঙানবা হিরমদা তাকপী তম্বীখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা দিভিজন অসিগী মনুংদা লৈবা ৱাইথৌ চিরু, ফুন্নাল মরিং, কপ্প্রাং, লেম্বা খুল, লিসম লোক অমসুং পোইত্রৌ তোংবা খুলগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

**মেরিট (এল)ঃ** ইস্ত্রর্ন প্রোপুল্লর ক্লব খুরাই থোইদিংজম লৈকায় অমদি য়াইফ লমজিং লুপ সাজোর থোইদিংজম লৈকায় অনিনা পুন্না শিন্দুনা হন্দক ক্লাস ১২কী সাইন্স স্ত্রিমদা মকোক ওইরকখিবি লাইশ্রম মালেম ঙানবিবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং বজার ৱেলফ্যার এসোসিয়েসননা স্পোন্সর তৌদুনা ককচিং বজারদা নৌনা শাবা পুলিস বুট অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট এস.পি- ট.ঐচ বিক্রমজিৎনা শঙ্গাখ্রে। থৌরম অসি ককচিং বজারদা লৈবা ইরাবট পার্ক্তা পাঙথোকখিবনি।

**ককচিং-২(এল)ঃ** ককচিংগী পোস্ত ওফিসতা লৈরিবা পাসপোর্ট সেবা কেন্দ্র মথৌ নিংথিনা তৌনবিদুনা ওইলাইন এপোইন্তমেন্ত অথুবদা য়াহনবিয়ু হায়দুনা জোইন্ত নোন গভর্নমেন্ত ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন ককচিং অমদি ককচিংগী ক্লব ওর্গনাইজেসন অমসুং সি.এস.ওশিংনা পুন্না শিন্দুনা ককচিং বজারদা লৈবা ইরাবট পার্কতা ঙসি ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

পাসপোর্ট সেবা কেন্দ্র অসি ককচিং জিলা খক নত্তনা থৌবাল, চান্দেল অমসুং তেংপৌপল জিলাগী মীয়ামদসু পাসপোর্ট ফংহনবদা খুদোংচাবা পীদুনা লক্লিবনি। অদুনা পাসপোর্ট সেবা কেন্দ্র অসি মরী লৈনবা ওথোরিতিনা য়েংশিনবিবগা লোয়ননা হান্নগুম ওনলাইন সার্ভিস য়াহনবিয়ু হায়না সরকারগী পুকিং শিংশিল্লক্লি।

**ওবিটঃ** চিংদোমপোক আইদিয়েল তোপ য়ুথ ক্লব হৈরোগ পার্টি-২ লিতান মখোংনা শিন্দুনা অরাম্বম সমারেন্দ্র লৈখিদবগী ২৪ শুবা নিংশিং নুমিৎ থৌরম হৈরোগ পার্ট-টু সিটি ক্লপ প্লেগ্রাউন্দা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী মনুং চন্না ককচিং পানা অমসুং হৈরোগ পানা অনিগী মুকা চাংদমবসু পাঙথোকখি।

অরাম্বম সমারেন্দ্রগী ফোতোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমদুনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**কাংপোকপী(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী কৈথেলমানবিদা লৈবা দ্রিমলেন্দ তর্ফ গ্রাউন্দা পাঙথোকপা য়ুথ কোচ লেবেল ৱান সার্তিফিকেসন কোর্চ ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে। থা অসিগী অনিদগী চখুরকপা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি রাজ্য সরকারগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসন কাংপোকপী অমসুং তেনবিক স্পোর্টসনা পুন্না শীনবনি। শান্নরোই ২০ রোমনা শরুক য়াখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি লোইশিনবগী থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর মহেসচৌদুরি য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

**শান্নবা(এল)ঃ** নম্বোল কেন্দ্র কাংখুৎনা ৱাবগাই অৱাং লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা চখুরকপা ২৪ শুবা অরাম্বম সম্মারেন্দ্র নিংশিং কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুরনামেন্তকী চেম্পীয়ন ওইরে। মমাং থাগী ২৫ দগী ৱাবগাই অৱাং লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ত এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চখুরকপা টুরনামেন্ত অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা নম্বোল কেন্দ্র কাংখুৎনা এল.এস.কে ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ৩১-২২ দা থোইখি।

**গেমস(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা দি.এস.এ ককচিংদা চখুরিবা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি ৱাইখোংনা ৱাই.দব্লিউ.য়ু ককচিংবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** কাংশোইবি মপাল প্লে গ্রাউন্দদা চখুরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল লাইরেঞ্জম সনা তোম্বী লৈমা মেমোরিয়েল ফুটবোল টুরনামেন্তকী ঙসিগী মেটচতা কে.এন.কে কৈবুলনা এফ.সি কুম্বীবু পাঞ্জল ৫ নিদা থোইখ্রে।

**বোল(এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা চথরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল অন্দর ফিবতিন বোইজ সোকর টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কারগো এফ.এ খোংমননা মোদেল ক্লব চীংঙা মখাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ৱার্ল্ড প্রো হাওরৈবিনা ঐখোয়গী ক্লব ওইনাম থিঙেলবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখি। হিয়াই এফ.সি টিম এ অমসুং ফেমিলি য়ুনাইতেদ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। মঙাল এফ.এনা দব্লিউ.ভি.এস.দি ৱাইখোম লৈকায়বু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

## --অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**সিক্কিমঃ** সিক্কিম ক্রান্তিকারি মোর্চা (এস.কে.এম) লুচিংবা প্রেম সিংহ তামাং সিক্কিমগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। হন্দক্কী অসি থারগা শ্রী তমাংনা মুখ্য মন্ত্রি ওইবা অনিরক শুরে । মহাক্কা লোয়ননা অতোপ্পা মন্ত্রি ১১ অমসুং ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম গেঙতোক্তা লৈবা পালজোর স্তেদিয়মদা ঙসি নুংথিল পুং ৪ দা পাঙথোকখি। মখোয়বু রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়া থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। হন্দক্কী মীখলদা অপুনবা সিট ৩২ গী মনুংদা এস.এক.এমনা সিট ৩১ ফংদুনা মপুং ফাবা মেজোরিতি ফংখিবনি। সিক্কিম দেমোক্রেতিক ফ্রন্টনা সিট অমখক ফংবা ঙমখি। হন্দক্কী মীখল অদুদা নুপী মীরেপ ৪ মায়পাকখি।

**মোদিঃ** শ্রী নরেন্দ্র মোদি ঙসিদগী প্রধান মন্ত্রিগী থবক পুবা হৌরে।হন্দক্কী অসি থারগা মহাকা প্রধান মন্ত্রি ওইবা অহুম রক শুরে। মহাকা প্রধান মন্ত্রি হেক ওইবগা পি.এম কিষান সমানিধিগী ১৭ শূবা ইন্সতোলমেন্তকী শেনফম থাদোকবা অহানবা ওইনা সহি তৌখি। মসিনা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ৯ দা লুপা কোতি লিশিং ২০ কায়থোক্তুনা কান্নবা ফংহনগনি। শ্রী মোদিনা হায়-মহাক্কী সরকারনা লৌমীশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎকনি হায়খিবা অদু পায়খৎপা হৌরে। মহাকা হায়- মহাক্কী সরকারনা লৌমীশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নগনি অমদি লৈবাক অসিগী লৌউ শিংউগী সেক্তর চাউখৎহন্নবা হোৎনগনি।

পি.এম কিষান স্কিম অসি লৌমীশিংবু শেন্থোক লৈহন্নবগীদমক ইং ২০১৯দ গী হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা লৌমী অমনা চহি অমদা লুপা লিশিং ৬কী কান্নবা ফংলি। মসি কেন্দ্র সরকারনা চাদা ১০০ পুথোক্লগা চল্লাইবা স্কিমনি । লৌমীশিংগী শেনফম অদু মশা মশাগী একাউন্দা দাইরেক বিনিফিট খুত্থাংদা হাপচল্লি ।হৌজিক ফাওবদা স্কিম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি১১দা কান্নবা ফংহনখ্রে। হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি লাখ ৩ লৌমীশিংদা ফংহনখ্রে।

**কেবিনেটঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী অহানবা মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে । মীফম অদুনা লৈবাক অসিগী খুঙ্গং অমুং সহরদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস যোজনাগী মখাদা য়ুম কোতি অহুম শানবা অয়াবা পীখ্রে। শ্রী নরেন্দ্র মোদি অমদি মহাক্কী মন্ত্রিশিং ঙরাং ৱাশক লৌখিবনি । মখোয়বু রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম রাষ্ট্রপতি ভবনদা ঙরাং পাঙথোকখি।

**ইলেক্সনঃ** ইলেক্সন কম্মীসননা রাজ্য ৭ কী তোঙান তোঙানবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ গী মরক্কী মীখলগী মতম লাউথোকখ্রে। মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদবা কেন্দ্রশিং অদুদি -নোংচুপ বেঙ্গোলগী ৪, হিমচাল প্রদেশক্কী ৩, উত্তরখন্দগী ২, বিহার, টামিল নাদু, মধ্য প্রদেশ অমসুং পঞ্জাবকী অমমমনি।
ইলেক্সন কম্মীসননা হায়- মীখল মথং থাগী ১০ দা পাঙথোক্কনি। ভোট মশিং মথং থাগী ১৩ দা থীগনি।

**জে.কেঃ** জম্মু অমসুং কাস্মীরদা লাইখুরুম্বা চৎপা ভক্তাশিং তোংবা বস অমদা এতেক তৌরকপা অদুবু রাষ্ট্রপতি অমদি উপ রাষ্ট্রপতিনা থম্মোই শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে। বস অদুদা এতেক তৌরকপা অদু মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদনি অমসুং মদু খ্বাইদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকফম থোকই। লৈবাক অসিনা অৱাবা তারবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগীদমক লেপ্লি।
উপ রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনকরনা হায়- জম্মু কাস্মীরগী রিয়াসি জিলাদা ভক্তাশিংদা এতেক তৌরকই হায়বগী পাউ তাবদা শাউনিংবা পোকই। মদু য়ামা হকচিন্না লৌই । প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা, বি.জে.পি লুচিংবা রাজনাথ সিংহ অমদি অমিত সাহনা থৌদোক অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।
তেরোরিষ্টশিংনা লাই খুরুম্বা চৎপা বস অদুদা এটেক তৌবদা য়ামদব্রদা মীওই ১০ শিখি, ৩৩ না শোকখিবনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১)  মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মহাক্কী এদভান্স সেক্যুরিতি কনভোইদা এম্বুস তৌরকখিবা অদু মহাক মশা মক্তা অমদি রাজ্য অসিগী মীয়ামদা এম্বুস তৌরকপনি হায়না লৌগনি।

২)  মনিপুরগী ঙমখৈ জিলা জিরিবামদা থা অসিগী ৬ তা শক খঙদবশিংনা লৌমী অমা ফারগা হাৎখিবা অদুগী মতুং জিলা অসিদা ওইরক্লিবা উংখৎনবগী ফীভম লাকশিন্নবগীদমক সেকুরিতি ফোর্সশিংনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

৩)  হৌখিবা মে ৫ দা থোকখিবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহনখ্রবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং য়েংশিন্নবা কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবু অমনা য়েংশিনবা হৌখ্রে।

৪)  সিক্কিম ক্রান্তিকারি মোর্চা (এস.কে.এম) লুচিংবা প্রেম সিংহ তামাং সিক্কিমগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

**অমসুং**

৫)শ্রী নরেন্দ্র মোদি ঙসিদগী প্রধান মন্ত্রিগী থবক পুবা হৌরে। হন্দক্কী অসি থারগা মহাকা প্রধান মন্ত্রি ওইবা অহুম লক শুরে।

**--- পাউ লোহজরে---**